# ইশুনা হানবা খুদোং-দো হাওবনিদা...!

**- এল ইবোমচা -**

শন্দ্রেন্বী থোরক্লো
নহুম পোঞ্জেল শাবীগে
লাই খূবাক খূবীগে
শাবী ইনেম মচা...!

মমাঙঙৈগী মতমদা ইনাক কৈরাক খুনবা নৎত্রগনা লৈবাক্কী ফম্নাইবা ওইবা অঙন্বা অমনা চংখোল্লবী চনুরা ওইরিবী অমবু পামজবদগী থেম নৌদুনা কৌথোকপগী ৱাহে ৱাতানি। ৱাঙাঙ অসিদা অতাবা কনানসু ৱারৌবা অশাওবা লৈনদে, মরমদি থৌগল্লোন য়াওবা ৱাহে ৱাতা ঙাক্তা ওইবদগীনি।

অসুন্না অসুম ঐখোয় পূন্নমক প্রমান পান্থেগা লোয়ননা য়াওনমিন্নদুনা লাকপনা মীরোল অমদগী মীরোল অমদা মথং-মনাও নাইনা শমথরক্তুনা অঙাং ওইরম্বদগী লৈশাবী পাখং ফারল্লবা তুংদা হনুবা হনুবী ওইরকপা ঙাক্তনি। মরু ওইনা ইরমদমসিগী অহল লমনশিংনা অঙাংশিংবু অদুক্কী মতিক চেকশিন্না ঙাক শেন্দুনা করিদা শোয়খিগদগে খন্না য়োকই। মদুদি অঙাং নুপা অমা হেক পোকপদগী মথৌ মঙম মচা মচা কয়া তৌদুনা লাল্লবা তুংদা মশাগী পোকপা থা ৬ নৎত্রগা ৮ শুরল্লবা অদুগা অঙাং নুপী ওইরগনা মশাগী পোকপা থা ৫ নৎত্রগা ৭ শুরবদি, মরুপ-মপাং, শাগৈ-নাতৈ, মরী মতাশিংদা চেবাউ পীদুনা (চাকউম্বা) গী থৌরম য়াম্না চাওনা পাঙথোক্নে। থৌরম অসিবু তাইবঙ চীঞ্জাক চীনদম্বা হৌবা হায়রগসু খঙনৈ। অদুগা অঙাং নুপা-নুপী অনীমক মশাগী চহী ৩ নৎত্রগা ৫ শুরকপদনা চপ মান্ননা মীয়ামদা চেবাউ পীরগা নাহুৎ নারেংবা থৌরম পাঙথোকই। থৌরম অসি অতৈ করিসু নত্তে, মমা পূক্নুংদগী য়াওরকপনি হায়না খন্নবা মশম মনা, খুজিল খুয়া, শীৎ নান্না ককথৎপীবগী মথক্তা, মনা হুৎপীরগা সনানা, লুপানা, কোরিনা নৎত্রগা লংহুম্না লেংশিন্দুনা য়ানশিনবীবদুনি। থৌরম অসিবু পাঙথোকখ্রবদি মপা মমা ওইবশিংনা অঙাংশিংবু লাইরিক লাইশু তম্বা হৌহন্নবা এল পি স্কুলদা থাবা হৌহনবগা লোয়ননা য়ূমগী থবক ইনখাং অমসুং ষণজেল, ষণঙাকসু হৈহৌনবা তাকপী তম্বীবা খরা খরা হৌহল্লে। এল পি স্কুল কাবা হৌরবা নুপামচাশিংদি মিংশেল মমাঙদা খিল্লগা মশাগী কোক্কী মশম শিৎ নান্না চপথৎকেরা লুমাং খাকপী, লুতুং খাকপী শমকক ককচৈ। হৈজদবা অঙাংশিংদি মপা মমাশিংনা নৎত্রগা মমান্নবা মশেন্না কক্লরম্মী। অদুগা নুপীমচাশিংগী ওইনদি শমজি মমৈ খাকপী খূৎকক্লা থৱায় তানা পাম্নে, অদুগা চৎনবিসু ওই। নুপামচা খরা খজিক চাওরবশিংনা ধাকা নৎত্রগা চুবা তাখৎপীনা থোইনা হেন্না পান্নরবসু ককপীনবা মী তাঙবনা পান্না পান্না চাক্লা খাঙনৈ। শম ককপদা পৈশা লৌবগী চৎনবী লৈত্রগসু কনাগুম্বগী মপা মমাশিংনা মচা অনী অহুম কগাক পুরক্তুনা শম ককহল্লরবদি বেড়ি মপুল অমগাক শম ককপদা পীনবসু য়াওদবা নত্তে।

খরা চাওরবা নুপীমচাশিংসু মশাগী মশম মশানা কোইকোইনা ককচনবা অথৌবা কাতি অমমম কৈথেল কাবী মমাশিংনা লৈবীদুনা থম্বী। অদুগা নুপামচাশিংদি অহৈবা শমককপা মী থিরগা ককহন্নবা ময়া থৌগদবা অহনবা কাটি লৈরগা থম্নবসু য়াওই। কাটি লৈরগা থম্বা ঙম্বা মীওই মশাদা চাওথোকচবগা লোয়ননা মমান্নবশিংনসু ইকায়খুম্নে, অদুগা মাগীদমক্তদি অহৈবা শম ককপীনবা মী ৱাৎতে। মহৌশাদগী তমজনীংঙাই ওইবা মতৌদি মীদুগী কোক্কী শমকক য়েংলগা নুপানি, নুপীনি, মৌনি, লৈশাবীনি হায়বা ইরায় লায়না খঙবা ঙম্মী। মমা মপা মপু মবেলশিংনা অঙাংশিংবু মমাঙমক্তদা ফমহল্লগা মশম ককহনবনা মখোয়গী কুশি রাশিদা হেক্তা কক্লরমদে, হায়বদি অহলশিংগী অপাম্বদা কক্লরম্মী। ঙসিগী মতৌসিগা চাংদম্নরুরবদি মহৌশাগী মপা মমা, মপু মবেনশিংনা অঙাংশিংবু অদুক্কী মতিক শাথীনা লুনা চান্না তৌবা হেল্লি হায়বা য়াই। অঙাংনা য়ূমদা লৈরমদবা অমসুং মতম চানা য়ূমদা হঞ্জিল্লক্ত্রবদি কৌবগা লাংবগা তৌদুনা অঙাং মশক উদ্রিফাওবা চাবা থকপা খক তৌদে অদুগা অতোপ্পগী অঙাংশিংবুসু মশামক্কী মচা মশুগুম চপ মান্ননা নুংশিবা ঙম্মী। মতমদুগী অঙাংশিংগী নুংশিবা মতৌ অমা হায়বা তারবদি, অহল ওইরবা মীওই অমনা লম্পাক মচি অমদা নৎত্রগা শুমাং মতোন্দা পোত্থাদুনা লৈবা হেক উবদা মনাক্তা কোইরপ কোইনা য়োমশিল্লগা অকিবগী, নুংঙাইবগী, হরাওবগী অমসুং ধর্ম্মগী ওইবা নুংঙাই নুংঙাইরবা ৱারী লিহল্লি। মরু ওইনা অঙাংশিংবু লৌশিং জ্ঞান অমসুং ধর্ম্ম চেনবা মীওই অমমম ওইহৌননবা হায়দুনা রামায়ন, মহাভারত, হরিচন্দ্র, ভক্ত প্রহলাদ, গৌরাঙ্গ মহাপ্রভু, সাবিত্রি সত্যবাননচিংবগী ৱারী মতেক লীদুনা তাহল্লি। ৱারীশিং অসি লীদুনা তাহনবদা মপি ওরো ওরো শিন্থবমখৈ তাহনবা ঙম্বনা মতমদুগী অঙাংশিংগী লমচৎ শাজৎতা য়াম্না ফজনা অফবা লম্বীদা অহল-লমনশিংনা লমজিংবীরম্মী হায়বসিমদি ককপা য়াররোই।

নাকল অমরোমদা নুপীমচাশিংদি নুমিৎনা খরবু লৈথরল্লবদি মখোয় মশেল অমনা অমগী য়ূমদগী চৎতুনা হৌনরুরগা ফিবুল হাবী, চেগাই শান্নবী, কেকু লোৎপীনচিংবা হেন্না থৱায় য়াওনা শান্নমিন্নে। অদুগা নুপামচাশিংনা লৌবুক লমহাংদা থোল্লগা তেলঙ্গা পায়বী, চৈতেক কোৎপী, পোল্লাওবী কাপ্পনচিংবা লমজেল য়াওবা মশান্নদা ওইনা থৱায় তাই। মখোয়না শান্নবদা অহল ওইবশিংগী মাঙদা শান্নবনা, য়াম্না থকসি খাসি ঙাক্লা শান্নে। শান্নবদা য়েৎনবা শাওনবা য়াওরল্লবদি অহল অমদা তাক্তুনা ৱায়েলহল্লি। অহল অদুনা সিনা লাল্লি, সিনা অচুম্বনি হায়খিবদা অঙাংশিংদু ... তো ঐনা হায়দ্রা হায়দুনা য়াশিন্নরগা মখা তানা শান্নবা হৌই। মরম অসিনা মতমদুগী অহলশিংনা অঙাংশিংগী মাংদা অকাম অপেৎ, ওইদবা ৱা ঙাঙদে, ফত্তবা চিঞ্জাক চাদে। মদুগী মহুত্তা অঙাংশিংনা মখোয়গী মতৌ তমজহৌনবা হায়দুনা মচিন্না হরে কৃষ্ণ, হরে রাম শোন্দুনা ঈশ্বর ভক্তিদা ঙাওই। অদুগা মতম লৈবা খিবিক্তা অউবা অঙাংশিংবু মনাক মনাক্তা কৌশিল্লগা মীগী মরল পাম্লুনু, ৱাঙাঙ কমজাও হুনগনু, নমান্নবা অমসুং নথক থোংবদা মীনমগে খনগনু কা হায়দুনা পাউতাক-পাউমেন পীবগা লোয়ননা চাহৈদবা চাগনু, য়েংহৈদবা য়েংগনু, নচিন নয়া কেনগনি, নমীৎ ননা তাঙগনি হায়নসু তাকপী তম্বীরম্মী। অসিগুম্বা কয়াসি ঙাক্লা চত্তবা, থৌওইদবা মীওইশিং অসি মাইবা, মাইবী, পাঞ্জি অমসুং ডাক্তরনা লায়েংবা ঙল্লরোইদবা অমসুং অতোপ্পদসু শন্দোক্কনবা লায়না চেনবা মীওই ওইবনা মখোয়গা তিন্নদনবসু পাউতাক পীনরম্মী। অদুগা য়াচংবগী মতম ওইরল্লবদি ময়ূম ময়ূমদা থুনা চঙখিদুনা সনামহী লাইনিংথৌ খোইরুল্লুনবা ভুৎ-প্রেৎ, তম্নলাই, লাই খূৎশাংবী অমসুং হেঞ্জুনহাগী অকিবা ৱারী লৌশিনবদা কিবদগী মমিৎ মনা উইশিনবমখৈ ময়ূম ময়ূম য়ৌনবা চেনশিন্নখিনি।

অদুবু ঙসিদি প্রিন্ট অমসুং ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়ানা খম থেংনা চাওখৎতুনা লৈরিঙৈসিগী মথক্তা ফেসবুক, ৱাটসএপ, ইন্সটাগ্রাম, য়ুট্যুব, পেটিএমনচিংবগী এপ হাংবা স্মার্ট ফোন মোবাইল পায়দ্রবদি মীনি হায়না খন্নদ্রবা মতমসিদা ঙসিগী মমা মপা ওইবশিংনা মচা মশুশিংগী হেক মমাংমক্তদা মশা ময়ূমদা লৈনা লৈনা ঐ চান্দেলদা, কাংপোকপীদা, থৌবালদা, লমশাংদা লৈ, গাড়ী থৌরি কোন্না তৌবীরক্লো কা হায়জিন্দুনা অঙাংশিংদা ফত্তবা লম্বীদা চৎখিবা য়াবগী ওইথোকপা লৈরিবসিগী মথক্তা অঙাংদা মোবাইল ফোন শীন্নরগা মশা লৈতে চৎথোকখি হায়না খুমহনবা, হৌনবা থবক নত্তে, মচা মশুবু থম্মোয় শেংনা নুংশিদবগী চপ চারবা খুদমনি হায়দবা ঙল্লোই। মসিগী হায়রুরবদি, ঙসিগী অসুম্না চাওখৎপগী মঙাল ফংদ্রিঙৈ আ: মমাঙঙৈদা লৌবুক্তা লৌরাং শুরুবগী ৱানা হল্লক্লবা মপুবোক্লা য়ূমগী দারি মচিন্দা ঙেক লাওনা ফমথরগা (ইশুনা হানবা খুদোং-দো হাওবনিদা) তশেংনা নুংশিবগী খুদমনি...। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## হান্না লৈরম্বা মমিং ওন্থোকপীগনু

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

থা অসিগী ৯, শগোলশেন নুমিৎকী হুইয়েন লানপাউ পাউচেগী মমাঙ থংবা লমায়দা ইবিরকপা লৈঙাক্কী অয়াবা য়াওদনা খুলগী মমিং থোনবা য়ারোই হায়রিবসি য়াম্না চুম্বা ৱাফমনি। মমাঙঙৈদগী লৈকায়গী, খুনগী মমিং থোন্দুনা লৈরম্লবা খুদিংমক হান্নগী লৈজরম্বা মীং অদুদা অদুম লৈবদা করি অকায়বা লৈবগে? অনৌবা য়ূম হোংলকপা, খরনা হেক্তা লৈকায় মমীংবু ওন্থোকপা অসি অরানবা খোঙথাংনি। মসি তুংগী মীরোলশিংদা অকায়বা য়াম্না লৈ।

ঙসি বজার মনুংদা লৈবা কবুই খুল অসি 'সাহেব মনাই' কৌবনি অদুবু 'কাখুলোং' হায়না ওন্থোল্লি। সাহেব মনাই হায়বসি পুৱারীগা শাগোন্নবা খুলসিগী মমিংনি হায়জনীংই। মন্ত্রিপুখ্রি, লাঙ্গোল, লম্ফেলনচিংবা মফম কয়ামরুমদা মশীং য়াম্না খুল মমিং ওনবগী থবক চথরি। য়াম্না নক্লা 'শগোলবন্দ মৈনো লৈরক' হায়বসি হান্না লৈবা লৈকায় মমিং 'শগোলবন্দ মৈস্নাম লৈকায়' কৌনরম্মী। ভোটর কার্দতা লৈরিবসিনি। অসিগুম্বা লৈকায়গী মচিন তোংবা অমগী মিং লৌরগা হেক্তা হোংদোকপসি অরানবা মওংনি। ঐখোয় মীওইবসিবু ঐনা তৌনীংবা তৌবা য়াবগী চৎনবী অসি মরম চাদে। ইলেক্টোরেল রোলদা লৈরিবা অসিনা অচুম্বা ওইগনি। কোন্না লাকপা আধার কার্দনা শগোলবন্দ মৈনো লৈরক ওইরি, মসি অরানবা ওইগনি। মসি কনাগী মতমদা কুমজা কয়াদা, কনাগী অয়াবা য়াওরগা ওনখিবনো হায়বসি য়াম্না চাওরবা ৱাহং ওইরি।

লাইওইখ্রবা অহল-লমনশিংনা মায়কৈ অমগী লৈকায় অমগী মীং থোল্লম্বসি হংনরুবদা ৱাহন্থোক লৈনা করিগুম্বা মরম অমনা চিংশিল্লগা ঐতিহাসিক ওইবা মওংদা লৈরম্মী। ঐখোয়গী লমদমসি মতম পূন্নমক্তা য়াইফনবা হোৎনগদবনি। অতোপ্পা মীনা কৈদৌনুংদা লাল্লগা শেমদোকপীগদবা নত্তে। ঐখোয় পূম্বা মপুং ফাবা মীওই অমমম ওইনবা ৱাখল খল্লগা হিংসি। অইবীনা হায়জনীংই - মদুদি খুল অমদি লৈকায়গী মমিং ওন্থোকখিবসু হান্না থোনবীরম্বদা লৈহনবা তুংদা লাক্দবা মীওইশিংনসু হান্না লৈরম্বা মমিং ওন্থোকপীগনু হায়জরি। অরানবা থবক থৌরম কয়া তৌরুনবা ঐখোয় পোল্লকপা নত্তে। অফবা, অচুম্বা থবক থৌরম কয়ানা মলদমসিগী চাওখৎনবা খোঙচৎ ওইহনবা ঐখোয় পূন্নমক্কী থৌদাংনি।

**অদোমগী - মুতুম শান্তি**
শগোলবন্দ মৈনো লৈরক, ইম্ফাল মণিপুর

## ষ্টেটকী পাউ

### লেবর দিপার্টমেন্টনা পীরিবা খুদোংচাবা লৌহৌনবা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচ এন এস): শিন্নীশিংগী য়াইফ-থৌরাংগা মরী লৈনবা থবক কয়া পায়খৎলিবা লেবর দিপার্টমেন্টনা য়াম্না শিংথানিঙাই ওইবা মওংদা মণিপুর ষ্টেট পৱার দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পনি লিমিটেদ (এম এস পি দি সী এল) অমসুং ওল মণিপুর ট্রেদ য়ুনিয়ন কাউন্সিল (এমটুক) কা পুল্লগা শিন্নীশিংদা কান্নবা পীনবগীদমক য়ানা চে অমা খুৎয়েক পীনখিবা অদুবু এম এস পি দি সী এল ইঙ্গেজ ইমপ্লোয়ি য়ুনিয়ননা থাগৎপা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা লেবর দিপার্টমেন্টনা পীরিবা খুদোংচাবা অসি শিন্নী পুন্নমক্লা লৌহৌনবা অপিল তৌরল্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা য়ুনিয়ন অসিগী প্রসিদেন্ট চনম গ্যানেননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ইন্দষ্ট্রিয়ল এক্ট-১৯৪৭গী মখাদা দিপ্যুটি লেবর কম্মিস্নর কে বোনোনা কন্সিলেসন ওফিসর ওইদুনা অমদি দিপার্টমেন্ট অসিমক্কী লেবর ইন্সপেক্টর হুইদ্রোম বিরেননা আইদি এক্টপু মতমগা চুনবা মওংদা শিংথানিঙাই ওইরবা থবক অমা পায়খৎলক্লিবা অসিনা তাকপদি হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিনা শিন্নীশিংগীদমক খনবীরি হায়বনি।

মরম অদুনা লমদম অসিদা থবক তোক্তুনা লৈরিবা হান্না থবক তৌরম্লবা জে টি এ/শিন্নীশিংনা য়ুনিয়ন অসিগী রেজিষ্টর ওফিস ওইনা শিংজমৈ চনম পুখ্রি মপালদা লৈরিবা য়ুনিয়ন অসিগী ওফিসতা লাক্তুনা মরী লৈনবা দোক্যুমেন্টশিং পীশিল্লগদবনি। নুমিৎ ১৫ নিগী মনুংদা লোয়শিনগদবা থবক ওইবনা জে টি এ/শিন্নীশিংনা চয়োল অমগী মনুংদা য়ুনিয়ন অসিগী ওফিসতা লাক্তুনা লেবর দিপার্টমেন্টনা পীরিবা কান্নবা অসি লৌহৌনবা হোৎনসি হায়না য়ুনিয়ন অসিনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মতম অসিদগী হেন্দাকখ্রবদি মখা তানা য়ুনিয়ন অসিনা থৌদাং লৌবা ঙল্লোই। মসিদা লমদম অসিগী শিন্নীশিংনসু য়ুনিয়ন অসিদা ৱারৌবীগনু হায়রি।

### পেন্টিং কম্পিটিসনগী মনা য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচ এন এস): ফেদরেল ষ্টুদেন্স ওর্গনাইজেসন কংলৈপাক (ফেসোক) না শিন্দুনা ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দেগী থৌরমগা মরী লৈননা "ওনলি ৱান আর্থ" হায়বা থিমদা পাঙথোকখিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল পেন্টিং চাংদম্নখিবগী মনা য়েন্থোকপগী থৌরম ঙসি ইম্ফালগী মেজোর খুলদা লৈবা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা এমজুগী প্রসিদেন্ট ৱাংখেমচা শমজাই, ফেসোককী প্রসিদেন্ট রোমেশ নিংথৌজা, খাশিলগী প্রসিদেন্ট মাইবম সুনিল অমদি ওল মণিপুর গর্জিয়ান ষ্টুদেন্ট ওর্গনাইজেসনগী জেনরেল সেক্রেটরিনা মথংশিৎনা অথোইবা লেঙবীরকপা, ময়ায় তাংবল অমদি অখন্নবা লেঙবীরকপা ওইনা শরুক য়াখি। ফেসোকনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা লাইয়েকপগী চাংদম্নবা অসিদা তোঙান তোঙানবা কেটগোরি অহুম থোক্লা খায়দোক্তুনা মনা পীখি।

কেটগোরি এগীদা মকোক মথং তাখিবা মহৈরোয়শিং অদুদি ফর্ষ্ট পোজিসনদা মনা ফংখিবা য়ু এস ঐচ য়ু এস স্কুলগী ক্লাস সিক্সকী মহৈরোয় লেনিঙ্গন আর কে, অনীসুবা মনানা নোংপোক মহৈকোলগী ক্লাস সিক্সকী মহৈরোয় দিরাজ শর্ম্মা অমদি অহুমশুবা মনানা নোংপোক মহৈকোলগী সোইবম হেন্দসননা লৌখ্রে। লোয়ননা মহৈরোয় ১০ অমসু কন্সোলেসন মনা ওইনা পীখি। কেটগোরি বিগী কাংলুপ্তুনা অহানবা মনা ফংখিবা জে এন বি খুম্নোংগী ক্লাস সেভেনবী মহৈরোয় য়ুম্নাম প্রিতমরাজ, অনীশুবা মনানা কে বি লাংজিংগী ক্লাস নাইনগী মহৈরোয় তুলিয়ান লোইতোংবম অমদি অহুমশুবা মনানা আর কে সনাতোম্বী দেবী ভেদালৈয়া ক্লাস আইটকী মহৈরোয় অনজেলা হৈক্রুজমনা ফংখ্রে। লোয়ননা কাংলুপসিদা মহৈরোয় ১০ দা কন্সোলেসন মনা ওইনা পীখি।

কেটগোরি সীদনা নাওরেম বিরহরি কোলেজকী ক্লাস এলেভেনগী মহৈরোয় লাইফ্রাকপম রোহিটনা অহানবা মনা ফঙখ্রে, অনীশুবা মনানা মর্দর প্রাইদ একাদেমিগী ক্লাস টেনগী মহৈরোয় ইরুংবম মার্কোনি মৈতৈ অমদি অহুমশুবা মনানা কে ভি ইম্ফাল লাংজিংগী ক্লাস তুৱেল্বকী মহৈরোয় ভেনিস কৈশামনা ফঙখ্রে। লোয়ননা কাংলুপসিদা মহৈরোয় ৫ দা কন্সোলেসন মনা পীখি।

### সনামহি চেঙ হোংবা থৌরম পাক শন্না পাঙথোক্লখ্রে



ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচ এন এস): ইঙাগী ১৫ নি পানবা থানিলদা লাইনিংথৌ সনামহি চেঙ হোংবগী থৌরম উত্রা শঙলেন সনা কোনুং, লাইনিংথৌ সনামহি হয়িং খোঙবাল উফোং য়ুম্ফম, কংলা সনামহি কিয়োং অমসুং লমশাংদা লৈবা লাইনিংথৌ সনামহিগী খুভমদা চেঙবী চেঙবা হৈদুনা ইরাৎ থৌনি থৌরম পাক শন্না পাঙথোকখ্রে।

মণিপুরগী নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবা য়াওনা উত্রা শঙলেন সনা কোনুংদা পাঙথোকখিবা চেঙ হোংবা থৌরম অদুগা মরী লৈননা রাজ্য সভাগী এম পিসু ওইরিবা নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা ফোঙদোকখিবদা, ইঙাগী ১৫ নি পানবা থানিল নুমিত্তা পাঙথোক্লিবা চেঙ হৈবগী থৌরম অসি লাইনিংথৌ চেঙ হোংবা হায়রগসু অদুম্মক খঙনৈ। থৌরম অসি লাই হাক্তক্তগী মথং মথং পাঙথোরকপদুনা নিংথৌরোলশিংগী মতমদগী ঙসি ফাওবা লেপ্তুনা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। থৌরম অসি লাইনিংথৌ সনামহি অমসুং ইবুধৌ পাখঙবা অনীনা নোংখোঙ কোয়খিবগী ৱারীদা য়ুম্ফম ওইরগা পাঙথোক্তুনা লাকখিবনি। নোংখোঙ কোয়রবা মতুংদা য়ানবা অমগী মতুংইন্না লাইনিংথৌ সনামহিনা য়ুমথোঙ খুদিংগী নিংথৌ ওইখি অদুগা ইবুধৌ পাখঙবনা লৈবাক্কী নিংথৌ ওইখিবনি।

য়ানখিবগী মতুংইন্না লাইনিংথৌ সনামহিনা য়ুমদা নিংথৌ ওইবগী য়ুম য়ুমদা চঙখিবা নুমিৎ অদু ইঙাগী ১৫ নি পানবা থানিল নুমিৎ অসিনি। হায়রিবা নুমিৎ অসি লাইনিংথৌ সনামহি য়ুমজংবা নুমিৎ হায়রগসু খঙনৈ। ঐখোয়গী হকচাং অসিনা য়ুম অমদৌনা লৌরগা থৱায়না চঙবা অসিবু য়ুমচঙবা হায়। থৱায়না ঐখোয়গী হকচাংদগী থোকখিবা নুমিৎ অদুদা ঐখোয়গী পুন্সি লোইগদৌরিবনি। অসুন্না সনামহিনা নিংথৌ ওইবা অসিদগী তোকখিবা মতমদা য়ুম অদু হাঙহৌগদৌরিবনি হায়খি।

অমরোমদা লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পল বোর্দনা শিন্দুনা হয়িং খোঙবান উফোং য়ুম্ফমদা লৈবা লাইনিংথৌ সনামহি লাইশঙদা লাইনিংথৌ সনামহি চেঙ হোংবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসিদা লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পল বোর্দকী মাইবরেল মাইস্নাম অমুবা লুৱাংনা হায়, নীংশিংবা থোক্লিঙৈ মতমদগী হৌনা সনামহি চেঙ হোঙবগী থৌরম অসি ইঙাগী ১৫ নি পানবা থানিল নুমিত্তা পাঙথোক্লদুনা লাক্লি। নুমিৎ অসিদা তাইবং শেম্বা মপু লাইনিংথৌ সনামহিগী মফমদা চেঙবী চেঙবা হৈদুনা খুঞ্জাও লৈচাওনবা, শাগৈ শলাই চাওননবা, চাহোং ঙাহোংনবা অমদি লৈবাক মরা তপ্না পান্নবা থৌনিজদুনা লাক্লি। থৌরম অসি কোনুংদা নিংথৌখক্তনা পাঙথোকপগী মহুত্তা লমদম অসিগী য়ুমথোং খুদিংদা পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা অচৌবা থৌরম অমনি। থৌরম অসি সনামহি লাইনিং চৎপশিংগী খ্বাইদগী মরুওইবা অমনি।

### বাইওদাইভর্সিটি মাঙশিল্লকপা হায়বসি ঐখোয়গী মাঙজবনি

ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচ এন এস): মীওইবগী খুৎশেম্না থোকহনবা থৌদোক কয়ানা মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা বাইওদাইভর্সিটি মাঙশিল্লকপগী পাউ ঐখোয়না লেপ্পা লৈতনা তারি। বাইওদাইভর্সিটি মাঙশিল্লকপা হায়বসি ঐখোয়গী মাঙজবনি হায়না গভর্নমেন্ট ওফ দি পিপলস রিপব্লিক ওফ নগালিমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, কনভেন্সনেল ওন ইন্টরনেসনল ট্রেদ ইন ইন্দেঞ্জর স্পেসিসনা থৱায় পানবা শা মখল ৫৬০০ অমদি পাম্বী মখল ৩০,০০০ রোম ঙাক শেন্দুনা থম্নবা হোৎনরি। অদুবু অরানবা মওংদা শা তানবা মীওইশিংনা লৈজরিবা ইকোসিষ্টেম অসি হেক হেক থুগায়নবা হোৎনরি। অমরোমদা জইলাদ রিজন্দা মখল কয়াগী ফ্লোরা অমসুং ফাউনা মহৌশা লাইরেন্বীনা পীবিরি। অসিগুম্বা মফমশিং অসি কন্নবা অমদি মহৌশাগী ওইনা লৈজরিবা মফমশিং ঙাক শেনবগী থবক জি পি আর এননা পায়খৎপা হৌরগনি। মরম অদুনা অরানবা মওংদা শা হাৎপা নৎত্রগা উ পাম্বী য়ান্থৎপগী থবক মখা তানা তৌরোইদবনি হায়রি।


BUSINESS OPPORTUNITY

Part time or Full time da eikhoi punna income tanba yai. Yumda leina leina amadi field da chatlaga tanba yai. Aduna income tanbiningba mioisingna makhada piriba No. sida contact toubiyu.

(1) 18 years above, (2) Student, (3) No qualification, (4) Retired person, (5) Employee, (6) Senior Citizens, (7) Housewife, (8) Any person etc.

# 9366389562
# 8798329312

HL-P/1360/15-19

/ চহীগী দশা য়েংজরি



অপাইবা দশা, য়েক্লবা, লায়না-তিন্না, থবক-করবার, মহৈ-মশিন, অৱাংবা পরিক্ষা, শেল-থুম পুথবা, য়ূম-ইস্কোল, লৌ, য়ূম্বাল, নুপী-অঙাং, মচা য়াওদবা, হায়না-তানবা ইন্দবা, নিশাদা লাইচুবা, পক্লবা গাড়ী, লক্কিষ্টোননচিংবা, খূবাক ময়ি অমদি কুঠীদগী কুপথনা য়েংজরি। লাকপা ঙমদবশিংগী ওনলাইনদসু য়েংজরি।

*Contact :* **JM Dr Ph Rajendra (International Renown Astrologer)**
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Imphal East, # 9077188456

HL-B/7640/13/5-10/6 (alt)

/ ADMIT CARD LOST

I have lost my Original Admit Card of Higher Secondary Examination, 2022 Bearing Roll No. 16273, Student Registration No. 11254 of 2021 issued by Council of Higher Secondary Education, Manipur on the way in between my residence Sugnu and Canchipur Imphal on 13-06-2022.

Finders are requested to handover the same to the undersigned.

**Sd/- Demaria Abujam**
Sugnu, Khaidem Leikai
# 8575941942

HL-P/2950/16

/ ইস্কোল য়োঞ্জরি

পোইন্ট ৩২ (.৩২) পাক চাউবা ইস্কোল অমা অথুবগী ওইনা য়োঞ্জরি। কনাগুম্বা ইস্কোল অসিবু পাম্বীবা মীওইশিংনা মখাদা পীজরিবা কন্টেক্ট নম্বর অসিদা পাউ ফাওবীরকপা য়াগনি।

**Sd/- # 6909996953**
Haraorou Sabal Leikai, Imphal East

HL-P/2953/16

/ JOB OPENING

**Senior Officer**

Application is invited for intending candidates as Senior Officer in reputed bank for relationship Manager.

No. of Vacancy : 15
Posting Manipur

Eligibility : Any Graduate (minimum 50%)
Salary : Starting Rs. 25,000 to Rs. 40,000 (with PF. Gratuity, Medications, Bonus, etc)
Age below 26 years

Walk in-date, 21-06-2022

All candidates may submit necessary documents alongwith CV during office hours 10.00 am to 3.00 pm. Monday to Saturday.

**Human Resource Consultancy**
**Keishampat, Opp. Oil Pump**
**www.hrcindia.co.in**
**8794758218**

HL-P/3073/16,18,20

EMPLOYMENT NEWS / থবক্কী পাউ

1. One teacher each for Manipuri, Chemistry, Home Sc., Geography. Qual: M.A./M.Sc. who can teach (IX-XII) & Social Science (upto X- BA/MA) Salary- Negotiable.
2. Two Male & Female Warden cum Teacher Graduate/PG (Rs. 12,000 - Rs. 16,000)
3. Three Hostel Mother / Helper (Salary - Negotiable)

Please Contact : **8787752537**
**7085376490**

HL-P/3079/16


/ ফংবীগনি

অফবা মখলগী মোরে অমদি দিমাপুর লৈঙোই অকুপ্পা অমসুং অপৌবা মখল শুনা ফংবীগনি। ট্রক ওইনা নৎত্রগা রিটেল ওইনসু হোম দেলিভরিগী খূদোংচাবা থমজরি। য়ূম শাবগী শাৎ হৈনবা মচাক শাঞ্জরি। য়ূম শাবগী পাইল হুৎনবা মেছিন শাঞ্জরি।

**Sd/- M/s. N.S.S. Meitei Enterprises**
Porompat D.C. Road
Mobile : 7005219307 / 7085204888

HL-P/3036/10-22(alt)

/অমাংথোংঙ ময়াদা পোম্বা, অমাংথোঙ মনুংদু খুজিনবা, অমাংথোঙদা য়াম্না চিকপা নাবা, খোঙ হাম্বা মতমদা অমাংবদু লোয়না তারকউয়াদবা, খুৎনা কোৎলগা লৌথোকপা নোংমা নিনিসু খোঙ হাম্বা য়ারক্তবা য়াওবা, মরক-মরক্তা খোঙ হাম্বদা ঈ য়াওরকপা, পুক্তা নুংশিৎ কারগা খ্বাং য়াম্না নাবা অমদি নিংজোল অসিসু নাবা ফহনবগী ওজা **Zia-Ul-Haque** পু থাগৎচরি।



ঐগী হকচাংদা নুংশংনা মতম কুইনা নাদুনা অমাংথোঙ ময়াদা পোম্বা, অমাংথোঙ মনুংদু খুজিনবা, খোঙ হাম্বা মতমদা অমাংথোঙ খুজিনবনা মরম ওইদুনা অমাংবদু মপান্দা লোয়না তারকউ য়াদবা, খুৎনা কোৎলগা লৌথোকপা, খুৎনা শেংনা শেংনা কোৎলগা লৌথোকহৌদবা তারগদি অমাংথোঙ মনুংদু য়াম্না নুংঙাইতবা, অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু মরেং মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, খোৎপা মতমদা অমাংথোংঙ মপান অকোয়বদু তৎপা, অমাংথোঙদা য়াম্না চিকপা নাবা, অদু ফনবা ঈশিং অশাবদা ফম্বা অমদি পেন কিল্লর চারগসু ঙাইহাক ফরম্লগা অদুম চিক্লকপা, নোংমা নিনিসু খোঙ হাম্বা য়ারক্তবা য়াওবা, মরক-মরক্তা খোঙ হাম্বদা ঈ য়াওরকপা, অচম্বা চারগনা ঈ য়াওরক্তবা অদুগা ফখিবা, শা-ঙা চারগনা ঈ য়াওরকপা, অদুগা অমুক হৌরকপা, অসুন্না তৌবা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা য়াম্না নাবা অমদি নিংজোল পরিংসু নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

*থাগৎচরিবা :* **Th. Manglem Singh**
Yairipok Bazar

HL-B/7639/16